ঈশিং পীবা হৌরগনি

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস) :
তোপ চিংথা ৱাটর সপ্লায় স্কিমগী মতম খরা পম্প হাউসকী মেছিন চাকখিবদগী মীয়ামদা থক্লবা ঈশিং পীবা ঙমখিদবা অদু মেছিন শেম্বা লোইরকপনা হয়েংদগী হৌনা মহৌশাগুম মীয়ামদা থক্লবা ঈশিং পীবা হৌরগনি হায়না ভিলেজ ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কম্মিটি, তোপ চিংথাগী মায়কৈদগী খঙহল্লক্লি।

ক্বা অমদি চুরূটকা কোন্ননা ফারে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস) :
এস আই ইবোমচানা লুচিংবা সী দি ও বিষ্ণুপুরগী টিম অমনা ঙরাং নুমীদাং পুং ৭ লোম তাবদা লৈমরাম লমখায় মপাদা ফ্রিস্কিং চথবদা মীওই ২ চুরূট অমদি ক্বাগা কোন্ননা ফারে হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি।

পাউ অদুনা হায়, ঙরাং নুমীদাং পুং ৭ লোম তাবদা চেক তৌবদা টাটা দি আই অমদা চুরূট অমদি ক্বানচিংবা পোৎলম পুরকপদগী ফারবা মীওই অনী অদুদি ক্বাক্তাদগী অব্দুল হমিদ অমদি অব্দুল সলাম কৌই। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদুদি, সিগার কার্টুন বোক্স ১০, টোবেকো বেগ ৫, খৈনি কার্টুন বোক্স ৯, ক্বা সুবারি কেজি ১০০ রোমনি। পোৎলমশিং অসি লুপা লাখ ৩ লোমগী মমল ওইগনি। ফারবা মীওই অনী অদু পোৎলমশিং অসিগা লোয়ননা নম্বোল পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

Important Phone Nos.

RIMS	2414478
J.N. Hospital	2450385
DG Control	2450100
FIRE SERVICE	
Imphal	101
Moirang	8415925197
Churachandpur	8415925191
Thoubal	8415925203
Kakching	8415925194
Jiribam	8415925193
Mayang Imphal	8415925196
Bishnupur	8415925190
Moreh	8415925198
Kangpokpi	8415925195
Ukhrul	8415925205
Senapati	8415925199
Chandel	8415925192
Singhat	8415925201
Sugnu	8415925202
Yairipok	8415925206

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	83.896392
US Dollar	75.550885
British Pound	93.297913
Australian Dollar	50.377359
Chinese Yuan Renminbi	10.589472
Japanese Yen	0.701211
Malaysian Ringgit	17.377167
Singapore Dollar	53.446527
South Korean Won	0.061342
Saudi Arabian Riyal	20.146903
Thai Baht	2.374672
Myanmar Kyat	0.05401
Bangladesh Taka	0.88940

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	46612.00
Mumbai	–	Rs	46958.00
Delhi	–	Rs	46880.00
Kolkata	–	Rs	46801.00

GAS NEWS

M/s LAMBODARA INDANE
Booking Upto: 31/04/2020
Valid From : 20/04/2020
Delivery date : 01/06/2020
Home Delivery only.
For registration SMS IOC<space >03852427434< space> consumer no. to 9089024365.
For bookingSMS IOC to 9089024365.
Contact : +91 70053 82686 for enquiry.
From 8.00 am 11:30 am
M/s K&K INDANE SERVICE
Booking Upto Sl.No.200 A&B dt 05/05/2020
Valid from : 28/04/2020
Time 7.30am to 11.00pm
Gas booking counter open at Tera Bazar Office
Time 8am to 12noon
RBD INDANE SERVICE
Booking Upto : 18/03/2020
Valid From :- 03/03/2020
Stock : 612
All Customers are Home Delivery
Working hours 7:30 AM-12 Noon
Contact no. 7629947172 for Refill Order and Enquiry Only
Contact no. 7629947182 for Booking only
KHURKHUL HEIKHAM INDANE
Notice : Respected customers who have booking between 6-2-20 to 6-4-20 and not yet get refill are requested to contact to this No. 8974961402 during office hours 9.00am- to 2.00pm.
EREICHA INDANE GRAMIN VITRAK, LILONG
Booking upto : 24/03/2020
Valid From : 08/03/2020
Stock :- 306
All Customers are Home Delivery.
Delivery date : 01 June 2020.
Working hours 9:00 AM-12 noon
Contact no. 03852434026
SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK
Booking Upto: 05/03/2020
Valid From: 29/02/2020
Stk : 306
TIME 7:00amto 10:00am
Home Delivery Date : 01/06/2020
CONTACT NO: 7005695308, 6009772483
KHONGNANG GAS AGENCY BISHNUPUR
Booking Upto: 01/03/2020
Valid From: 24/02/2020
Please contact mobile no. 7085412234/7085412126
Time: 7:30am to 10:30 am.
HEIROK INDANE SERVICE
Booking Upto: 31/03/2020
Valid From : 01/03/2020
Stk: 306
Home delivery only
Booking Contact No. 7627935705
Delivery Contact No.9436274203
Contact Time : 9.00 am to 1.00 pm

‘য়ু পিদা লৈরুমফি শারকপগী মতাংদা থবক লৌখৎকদবনি’

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস) :
মণিপুরগী লৈরুমফি, লেংয়ান ওইনা শীজিন্নখ্রবা মতুংদা য়ু পিদা লৈবা ইন্দষ্ট্রিগী য়ুনিট অমদা শাদুনা য়োল্লে হায়বসি মণিপুরদা খুন্দারিবশিংগী শক্তমদা শীংনরকপা থৌওংনি। হেন্দলুম দিরেক্টোরেটনা চপ চাবা থবক লৌখৎকদবনি হায়না ইথনো হেরিটেজ কাউন্সীল (হেরিকোন)গী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা সেক্রেটরি য়ুম্লেম্বম য়াইফবনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ইন্দষ্ট্রি অসিদা শারিবা ফি অসি খুদক্তা থিংগদবনি। ফি অসি জি আই টেক তৌনবা অথুবা মতমদা থবক পায়খৎকদবনি। লৈরুম ফি অমদি নাৎকী ওইবা ফিজোলশিং অসি জি আই এক্তকী মখাদা নাৎকী লনগৈ ওইনা ঙাক-শেন্নবা তকশিন্দুনা লাক্লি। লৈঙাক্লা মতম চানা পায়খৎফম থোকপা থবক থৌরম অমত্তা পায়খৎপীদে। লৈরুমফিবু উত্তর প্রদেশগী ইন্দষ্ট্রিদা শারগা মার্কেটতা য়োল্লি হায়রিবসিগী মতাংদা দিরেক্টোরেটনা ফি অসি শাবা য়ারোই হায়না থোক্লিবা নোটিফিকেসন অসি খক্তনা ফি অসি শাবা অমদি য়োনবা থিংবা ঙমগদবা নত্তে।

জি আই টেক ফংখ্রবা মোইরাং ফিজং ফি হৌজিক কেরলাগী টেক্সটাইল ইন্দষ্ট্রি অমদা টেম্পল দিজাইন ওইনা মমিং থোন্দুনা পাক-শন্না শাদুনা মালেমগী কৈথেলদা য়োল্লি। ৱাংখৈ ফি অমদি অতৈ ফি কয়াসু তাজমহল শারি হায়বনচিংবা মমিং কয়া থোন্দুনা ইন্দষ্ট্রি কয়াদা শারগা য়োনবগী থবক চথরি হায়নসু মখা তারি।

মোদি লৈঙাক্লা লৈবাক্কী শেল-থুমগী লম্বী থুগায়রে, অৱাবদা নমশিল্লে : লেফ্ট পার্টি

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস) :
মোদি লৈঙাক্লা লৈবাককী শেল-থুমগী লম্বী থুগায়রে, মীয়াম অৱাবদা নমশিনবীরে হায়না লেফ্ট পার্টিশিং, সী পি আই মণিপুরগী সেক্রেটরি সোটিনকুমার, সী পি আই-এম মণিপুরগী সেক্রেটরি শান্তা, ফোরৱার্দ ব্লোক্কী সেক্রেটরি গ্যানেশ্বর, আর এস পিগী সেক্রেটরিয়ট মেম্বর মনোরঞ্জননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কম্যুনিষ্ট পার্টিশিং, সী পি আই, সী পি আই-এম, আর এস পি, ফোরৱার্দ ব্লোক্কী লুচিংবশিংনা ইরাবত ভবন ইম্ফালদা লোকদাউন সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা মীটিং অমা পাঙথোকখ্রে। মীটিং অদুদা হীরম কয়া খন্নখি। মোদি লৈঙাক্কী অনীশুবা টর্মগী চহী ১ মপুং ফাখ্রে। চহীগী জি দি পি হন্থরক্লে। লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী লম্বী থুগায়দুনা অৱাবা চৈথেং অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা অৱাবদা নমশিল্লে। মীয়ামগী পুন্সি মাঙহন-তাকহনবা অসিগী মথক্তা কোভিদ-১৯গী অশাওবনা মীয়ামদা লান দারক্লি। লেফ্ট পার্টিশিংনা দিমান্দ কয়া তৌরি। দিমান্দশিং অদুদি, ইনকম টেক্স থিবগী চাং য়ৌদবা ইমুং পুম্নমক্তা থা খূদিংগী লুপা ৭,৫০০ লেপ্পুনা থা ৬ কেস ট্রান্সফর তৌ, থা খূদিংগী মী অমদা চেঙ কেজি ১০ পীয়ু, শিন্মীশিংনা অরাপ্পা লমদমদগী ময়ুম মায়কৈদা লাকপা লেম্না লাকহল্লু। চান-থক্লবা ঈশিং য়াওনা পীয়ু। হৌজিক লৈরিবা এম জি এন আর ঈ জি এসকী খুৎশুমল হেনগৎপগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা নুমীৎ ২০০ থবক শুহল্লু। ইমপ্লোয়মেন্ট গরেন্টি স্কিম অসি অর্বানগী লায়রবশিংদসু ফংহল্লু।

য়ুম-কৈ শাবা শিন্মীশিংদা থা খূদিংগী লুপা লিশিং ১০ লেপ্পুনা কেস ট্রান্সফর তৌ। কোভিদ-১৯গী মিংদা শেঞ্জা-থুমজা তৌগনু। কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দ ত্রান্সপরেন্সি ওইহল্লু। লৈঙাক্কী মতিক চাদবা থৌরম থৌশিলনা কম্যুনিটি থাক্তা শন্দোরক্দ্রা হায়না চিংনবা কোকহল্লু। লেফ্ট পার্টিশিংনা মখোয়-মখোয়গী য়ুনিটশিংনা দিমান্দশিং অসি থবক ওইনা পাঙথোকউ হায়না তকশিন্দুনা মফম-মফমশিংদা চান্নবা মওংদা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনসি। কোভিদ-১৯ থেংননবা চেকশিন থৌরাং ওইনা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং অমদি মাস্ক উপসি হায়নসু মখা তারি।

অরানবা সেন্সসতা দিলিমিটৈসনগী থবক তৌবীগনু : ফোরম

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস) :
অরানবা সেন্সসতা দিলিমিটেসন তৌবীগনু হায়না য়ুনাইটেদ পোলিটিকেল ফোরম, ওইনামগী কনভিনর ডা. ও চাওবনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, দিলিমিটেসন তৌবদা চৎনগদৌরিবা লোনচৎ অদু মচা খায়না য়েংশিনগদবনি। য়াম্না তোয়না তৌবা য়াবসু নত্তে। ভেলিগী এরিয়াশিং লেন্দ রেভিন্যু ৱাংনা লৌরি। মণিপুরগী পাক চাউবা শরুক্কী চাদা ৯২ রোম ওইরিবা চীংদা হিল হাউস টেক্স লৌরি। চীং-তমগী খেন্নবা লোনচৎনা চাউখৎপগী লম্বীদা নোংম-নোংমগী তুং হন্দুনা শাংলবা লম্বী অসি লাক্লি। দিলিমিটেসনগী অশোয়বনা চীং-তমগী নুংশিনদবা লম্বী ওইহল্লি। অরানবা সেন্সস চুমথোক্লগা দিলিমিটেসন তৌবীয়ু।

নোর্থ ইষ্টকী ওইনা চথরকপদা ইন্নরগী এম পি, ডা. আর কে রঞ্জন অমদি আউটরগী এম পি, ডা. লোর্হো অনীবু এসোসিএট মেম্বর ওইনা খনখ্রে। মণিপুর লৈঙাক্কী মীহুৎ আই এম সীগী ২, বি জে পিগী ৩ মখোয় ৫সু দিলিমিটেসনগী এসোসিএট মেম্বর ওইনা খন্দুনা দিলিমিটেসনগী থৌদাং শীন্নখ্রে। মখোয় ৭না দিলিমিটেসন অসিগী অশেংবা মায়ওনদু পুরক্কদৌরিবনি। হান্না লৈরল্লিবা এসেমল্লী সেগমেন্টশিংদা হেনগৎতনবা অমদি সেন্সস রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা দিলিমিটেসন তৌগদৌরিবনি। সেন্সসকী অচুম্বা য়াওদনা দিলিমিটেসন তৌদনবা হায়বনি। অচুম্বা সেন্সসতা দিলিমিটেসন তৌবীয়ু হায়নসু মখা তারি।

থক্লবা ঈশিং খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস) :
লমশাং প্রজা হায় স্কুলদা হাংলিবা ক্বারন্টিন সেন্টরদা দুরদর্শন কেন্দ্র ইম্ফালগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর (প্রোগ্রাম) এল মনিবাবুনা থক্লবা ঈশিং বট্টল ১৫০ রোম খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

দি দি কেগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর (প্রোগ্রাম)না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লমশাং এ সীগী ওইনা প্রজা হায় স্কুলদা হাংলিবা ক্বারন্টিন সেন্টর অসিদা মীওই ৫০ রোম লৈরি। মখোয়গী শীজিন্ননবা ঈশিং বট্টল অসি পীবনি। সেন্টর অসিগী ইন-চার্জ ওইনা লৈরিবা এস দি ও শান্তিবিরগী টিমদা পোৎলম অদু খুৎশিন্নখি হায়নসু মখা তারি।

ঈশিং চিংনবা পম্প তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস) :
পল্লেল ময়াই লৈকায়দা লৈবা প্রোজেক্ট পুখ্রিগী ঈশিং চিংনবা পম্প অমা ঙসি ভুবোন টেক্লিকেল এন্দ স্কিল দিভলপমেন্টকী চ্যেরমেন নাওরেম নবচন্দ্র, দিরেক্টর নাওরেম ওংবী বিনারানি অমদি ভুবোন ব্রিক ফিল্ডগী মপু নাওরেম নোপুরনা খুদোল তমখ্রে। পল্লেল হায় স্কুলদা হাংলিবা ক্বারন্টিন সেন্টরদা চান-থক্লবা পোৎলমসু তেংবাং পীখ্রে।

ঈশিং চিংনবা পম্প তেংবাং পীবা অদুগা মরী লৈননা ভুবোন টেক্লিকেল এন্দ স্কিল দিভলপমেন্টকী চ্যেরমেন নাওরেম নবচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, পল্লেল খুঙ্গং অসি ককচিং এ সীগী মনুং চন্না মীকোক ৫০০০ লৈবা খুঙ্গং অমনি। খুঙ্গং অসিদা মতম কয়াগী মমাঙদগী থক্লবা ঈশিংগী অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা লাক্লি। মফম অসিগী মীয়াম্না পল্লেল ময়াই লৈকায়দা লৈবা প্রোজেক্ট পুখ্রি অসিনা ঈশিং শীজিন্নবগী অমত্তা ঙাইরবা পুখ্রি ওইরি। পুখ্রি অসি ঈশিং কংলকপা মতমদা ঈশিং চিংশিন্নবা পম্প মথৌ তাবা লাকপা অদু উবগা লোয়ননা পম্প পীবনি। পল্লেল মীয়ামগী অৱাবা উদুনা পাংবা য়াবা মতেং লৈঙাক্লা পাংবীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

ইস্ত্রোইদরি ট্রেনিং সেন্টর অমা অথুবা মতমদা হাংদোক্তুনা নুপীশিং ট্রেনিং পীনবা হোৎনরগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

চান-থক্লবা তেংবংখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস) :
ককচিং এ সীগী তোঙান-তোঙানবা মফম ১০ দা হাংলিবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী মেম্বর নাওরেম কোবিদনা ককচিং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী থৌমীশিংগা লোয়ননা চান-থক্লবা পোৎলম কয়া তেংবাংখ্রে। ককচিং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ ইবোহল, এম পি সী সী মেম্বর কোবিদ অমদি ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী কোংগ্রেস পার্টিগী কাউন্সীল্লর কয়াসু তেংবাং পোৎলমশিং য়েন্থোকপদা শরুক য়াখি। আলু, তিলহৌ, থুম, য়েরুমনচিংবা পোৎলমশিংনি হায়রি।

হৈরোক্কী রিলিফ কম্মিটিদা মতেং পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস) :
রিলিফ কম্মিটি এগেনষ্ট কোভিদ-১৯ হৈরোক এ সীদা মায়কৈ কয়াদগী তেংবাং পীরকপা লেপত্রি।

কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা কর্ফিয়ু অমসুং লোকদাউন থমখিবদগী মীয়ামগী অৱাবা য়েংলগা চান-থক্লবা পোৎলম তেংবাংনবগী পান্দমদা হৈরোক এ সীগী মীহুৎ ওইরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন, লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট মিনিষ্টর ডা. থোকচোম রাধেশ্যামনা চ্যেরমেন ওইরগা কম্মিটি অসি এপ্রিল থাদা শেমখিবনি। হৈরোক এ সীগী মনুং চনবা পোল্লিং নম্বর ৩৩/৩২ হৈরোক কৈথেল মনিংগী মীয়াম্না ঙমজবা শেনফমশিং খায়নরগা লুপা ২৫,৩৫০ কম্মিটিগী চ্যেরমেন ওইরিবা রাধেশ্যামনা হকথেংননা খুৎশিন্নখি।

মিনিষ্টর রাধেশ্যামগী মীৎয়েং মখাদা মপান লমদগী হল্লকপা হৈরোক এ সীগী মীওইশিং এ সী অসিগী তোঙান-তোঙানবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা থল্লিবা অসিগী অৱাৎ-অপাদা খরদং ওইরবসু মতেং ওইনবা হৈরোক পার্ট ৱানদগী মোইরাংথেম রামচরন অমদি মোইরাংথেম বিশ্বারুপনা মখোয়গী হৌজিক হিংলিবা অপোকপা মোইরাংথেম সনাতোম্বীগী মিংদা লুপা লিশিং ১০ রিলিফ কম্মিটিগী চ্যেরমেনদা খুৎশিন্নখি হায়রি।

থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস) :
পল্লেল হায় স্কুলদা হাংলিবা ক্বারন্টিন সেন্টরদা মতেং পাংলকপদা য়ুথ ভলন্টিয়র এসোসিএসন, পল্লেলগী প্রসিদেন্ট রোমেন খুমননা তেংবাং পীরকখিবা নাওরেম নবচন্দ্র অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

ক্বারন্টিন সেন্টর অসিদা ভুবোন টেক্লিকেল এন্দ স্কিল দিভলপমেন্টকী চ্যেরমেন নাওরেম নবচন্দ্র অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিং য়াওনা মতেং পাংখি। আলু, তিলহৌ, থুম, অচাথাউ, হঙ্গাম থাউ, হৱাই, থক্লবা ঈশিং খুৎশিন্নখি। ক্বারন্টিন সেন্টর অদুবু শেন্নরিবা ৱাই বি এগী মায়কৈদগী থাগৎখি হায়রি।

চারা শেম্বগী কেম্প্যেন হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস) :
বোইস ওফ ককচিং হায়না মিংথোনবা ৱাটচএপ গ্রুপ অমনা স্পোন্সর তৌদুনা মেক য়োর ষ্টে এট ক্বারন্টিন সেন্টর লাইভলি এন্দ প্রদক্টিভ হায়না মিংথোনবা কেম্প্যেন অমা ঙসিদগী হৌদোকখ্রে।

কেম্প্যেন হৌদোকপা ওইনা গুদ সেফর্দ স্কুল কম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টরদা থানবা মরূ বেগ ৪০, মাস্কনচিংবা পীখি। অৱাথবী, মাইরেন, খোংদ্রুমনচিংবা মরুশিং য়াওরি। কেম্প্যেন অসিগী মতাংদা বোইস ওফ ককচিং অমদি মেনেজমেন্ট কম্মিটি, অঙান চীং ইকো পার্ক অনীনা খুৎশম্নরগা পায়খৎকদবনি।

অঙান চীং ইকো পার্ককী কোওর্দিনেটর সুরজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, ককচিংদা হাংলিবা কম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরিবা ইনমেট খরনা মখোয়না ক্বারন্টিনদা লৈরিঙৈদা হৈ-লৈ, মনা-মশিং চার শেম্লিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকপদগী মরূ অমদি চারা শেম্নবা পীবনি। ইনমেট অমনা চারা ৩ শেম্বদা মশানা য়ুমদা হনখিবা মতমদা চারা অমা পুখিবা য়াগনি। চারা অনীনা ক্বারন্টিন সেন্টর অদুদা নৎত্রগা মফম চাবা অঙান চীং ইকো পার্কনচিংবনা থানবা পুগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

লৈরুমফি জি আই তৌনবা তকশিনগনি : অকোম লূপ

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস) :
লৈরুমফি জিওগ্রাফিকেল ইন্দিকেসন তৌনবা তকশিল্লগনি হায়না অকোম লূপ কংলৈপাক্কী এসিষ্টেন্ট আই পি আর, কে ঐচ বালেশ্বরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মালেম অসিদা কলচর অমদি চৎনবী কয়াগা হৌদোকমিন্নরকপা য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা খুদোল, য়ুমশা-কৈশা, ফিজোল, চৎন-কাঙলোন কয়া অসি মালেমদা হিংলিবা মীওইবা খুন্নাইগী হিষ্ট্রিগী ওইবা কয়া খঙবা ঙম্মী। লৈরুমফিগী মশক খঙলকপা অসিদা খুন্নাই অসিনা ফিগী দিজাইন অমদি মরী লৈনবা ফিগী হৌরকপগী লিটরেচরশিং অসি মালেমদা শকখঙহন্নবা হোৎনবদা করি তৌবা য়াই হায়বসি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা খনখিদে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

উত্তর প্রদেশতা লৈবা টেক্সটাইল য়ুনিট অমদা লৈরুমফিগা মান্নবা মওংদা পুথোরকপসি লাইনা লৌফম থোক্তে। খুন্নাই অসিগী পুৱারীগা অচেৎপা মরী লৈবা অসিগুম্বা পোৎশক অসি ইন্দিয়াগী অচৌবা ইন্দষ্ট্রিশিংদা শাদুনা পুথোরক্লবদি খুন্নাই অসিগী হেন্দলুমগী ইনকমদা অচৌবা চৈথেং অমা ফংবদা নত্তনা হিষ্টোরিকেলগী ওইবদসু অচৌবা শিংনবা অমা ওইরক্কনি। খুন্নাই অসিগী ওইবা পোথোক অমদি পোৎলম কয়া ঐখোয়না চেকশিন দবদগী মীনা মপু শারক্কে তৌরকপা মতমদা মীয়াম অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী মীৎ-নাকোং ওইবা য়ানবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। মালেমদা শকখঙনরবা য়ারবা মণিপুরদা পুথোকপা ফি অসিবু কন্নবা হোৎনবদা লৌবা য়াবা থৌদাং লৌগনি। ঙক্লিংঙাই ওইরিবদি মণিপুরদা য়েলহৌঙৈদগী পুথোরক্লবা ফি অসি করম্না জিওগ্রাফিকেল ইন্দিকেসন ফাইল তৌদনা লৈরল্লিবনো হায়বসিনি। হেন্দলুমগা মরী লৈনবা ওইবনা ট্রেনিং কয়াদা মার্কেটিংগী ওইবা ইস্যু কয়া অমা নৈনরমগনি হায়রি।

ক্বারন্টিন সেন্টরদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস) :
সেকমাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ফয়েংগী ক্বারন্টিন সেন্টরদা এৱ্যেরনেস ওফ কোভিদ-১৯ মণিপুরগী কনভিনর ওইরিবা এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোনা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

ক্বারন্টিন সেন্টর য়েংশিনবা চৎখিবা অদুদা বি জে পি মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম অস্নিকুমার, জেনরেল সেক্রেটরি এন নিম্বস, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট পি ঐচ ফোনিসু শরুক য়াখি।

এম এল এ দিঙ্গোনা ক্বারন্টিন সেন্টর অদুদা লৈরিবা ভলন্টিয়রশিং উনদুনা ৱারী শানখি। ভলন্টিয়রশিংবু পূক্লিং থৌগৎখি। এম এল এ দিঙ্গো অমদি ষ্টেট বি জে পিগী মায়কৈদগী সেন্টর অদুদা ইলেক্ট্রিকেল স্পেয়র য়েরুম, সেনিটাইজর, মাস্ক অমদি মিনরেল ৱাটরনচিংবা খুৎশিন্নখি। এম এল এনা সেন্টর অদুদা তঙাইফদবা পুম্নমক মতম চানা ফংহনগনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি। কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি মরু ফংনা মুখৎনবা ঐখোয় খূদিংমক লিংজেল মান্ননা হোৎনসি। মালেমদা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ থেংনবদা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাকমিন্নবা তঙাইফদে। সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকপা হায়বসিসু য়াম্না মরুওইবা অমনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

‘ক্বারন্টিন সেন্টরদা নুমীৎ ১৪নি শোয়দনা লৈহনবীয়ু’

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস) :
ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিবশিং নুমীৎ ১৪ নি শোয়দনা লৈহনবগা লোয়ননা টেষ্ট তৌবীয়ু। টেষ্ট তৌদনা থাদোকখিবা তারবদি কম্যুনিটিদা শন্দোরক্লবগী মচাক ওইগনি হায়না কোলিসন ফোর ইন্দিজিন্স রাইট কেম্পেন (সির্কা)গী সেক্রেটরি জেনরেল মোইরাংথেম অঙম্বনা ফোঙদোকখ্রে।

পেলেস কম্পাউন্দদা পাউমীশিংগা উনবদা অঙম্বনা হায়খি, ষ্টেট অসিদা লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ থেংননবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলি। সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমদি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনশিংগী মথৌ তাবা ময়াম খঙবীদুনা সী এস ওগী মীহুৎ কয়া য়াওনা জোইন্ট কম্মিটি শেমখিবা লৈখ্রে। মপান্দগী পুশিল্লক্লিবা মীওই লিশিং ২৫ গী মথক্তা মণিপুর য়ৌরকখ্রে। মীওইশিং অসি ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা থল্লি। ষ্টেট লৈঙাক্লা চেকশিন থৌরাং অমদি ক্বারন্টিন সেন্টর হাংদোকপা তারবসু লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লক্লিবা মীশিং থমখিবনা মরম ওইরগা অচৌবা অহোবা অমা লাক্লি।

ঙরাং পাঙথোকখিবা কন্সল্টেটিভ মীটিংদা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা মপান্দগী পুশিল্লকখিবশিং কোরোনাভাইরস টেষ্ট তৌগনি হায়বসি মমাঙদসু ফোঙদোকপা লৈখ্রে। নুমীৎ ১৪ নি ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরগদি ডোক্তরশিংনা সার্টিফিকেট পীরগা য়ুমদা হলহনগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি। নেগেটিভ ওইরগদি ক্বারন্টিন সেন্টরদা নুমীৎ ১৪ নি লৈগদবা অদু শুদ্রবসু য়ুমদা হলহন্নবা লৈঙাক্লা ফোঙদোকখি। মীওই লিশিং ৫০/৬০ থম্নবা ক্বারন্টিন সেন্টর শেমগৎপা মথৌ তাই। আই সী এম আরগী রুল মতুংইন্নদি নুমীৎ ২৮ নি ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈনবগী ৱাফম ফোঙদোকই। ষ্টেট লৈঙাক্লা ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী ওইনা লৌরল্লিবা খোঙথাংশিংনা য়াম্না চাউনা চরাংনবা থোক্কদৌরে হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস) :
জিরিবামগী লোকল এম এল এগী মায়কৈদগী জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট জিরি কোলেজ অমদি লালপানি স্কুলদা থল্লিবা ক্বারন্টিন সেন্টরদা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবা কয়া সেন্টরশিং অসিগী ইন-চার্জদা খুৎশিন্নখ্রে।

জিরিবামগী এম এল এনা খুদোংচাদবা খরদগী জিরিবামদা লাকপা ঙমদ্রবসু মহাক্কী মহুৎ শীন্দুনা ঐখোয় লৈরি। করিগুম্বা অপেন-পেন্দা লৈরবসু হায়বীরকউ হায়না এম এল এগী নোমিনি মোইরাংথেম প্রেমেননা ফোঙদোকখি। তঙাইফদবা পোৎলম কয়াসু মতেং পাংদুনা লাক্লি হায়রি।

হেল্থ মিনিষ্টরনা...

*লামায় ১গী মখা...*জয়ন্তকুমারনা হায়খি, কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা ষ্টেট লৈঙাক্লা হাংদোক্লিবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিং অসিদা অৱাৎ-অপা কয়ামরুমদি লৈরম্বা য়াই। অদুবু য়ারিবমখৈদি অৱাৎপা লৈহন্দনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিংনসু কথোকপগা লোয়ননা থম্মোয় শেংনা মথৌ তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী অনাবা মশিং হেনগৎলকপা য়াবগী ফিভমদা লৈবনা মরম ওইরগা মৈত্রমদা লৈবা য়ুনাক্কো স্কুলদা কোভিদ-১৯গী হোস্পিটাল ওন্থোক্লনবা থৌরাং তৌরে। মফম অসিদা মীওই ৫০০ ফাওবদি লায়েংদুনা থম্বা ঙম্বগী ওইথোকপা লৈ। অদুবু অহানবা তাঙ্ককী ওইনা ফমুং ১০০ থাবা কোভিদ-১৯গী অখন্নবা লায়েংশঙ ওইহন্নবা শেম শারি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়ু পিদা লৈরুম লেংয়ান মানবা ফি...

লামায় ১গী মখা... সেমিনার অমসু পাঙথোক্লবা হোৎনবনি। অদুবু কোভিদ-১৯ লৈখিবনা পাঙথোকখিদ্রে। লৈরুম ফি অমদি লেংয়ানগী মতাংদা মোত কৌখিবসু লৈরবনি। হীরম অসিগী মতাংদা য়েৎনবা খরা লৈবা থেংনৈ। য়ানবা অমা পুরক্লগা অশেংবদু খঙমিন্নবগা লোয়ননা জি আই রেজিষ্ট্রেসনগী থবক চঙশিনগদবনি।

মরক অসিদা য়ু পিদা মণিপুরগী লৈরুম, লেংয়ানগা মান্নবা মওং অমদা ফি শারে হায়বা পাউ লাকপদগী মীৎয়েং চঙলি। ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা পাঙথোক্কদবা মীফম অমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদসু হীরম অসিগী মতাংদা পুখৎনবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে। মণিপুরগী লৈরুম ফি অসি নাৎকী য়াম্না মরুওইবা অমনি। মণিপুরগী লৈরুমদি হেন্দলুমদা শাবনি। মসিদা শীজিন্নরিবা মচু অসিসু মহৌশাগী মনা-মশিংগী পোৎলমদগী শেম্বনি। লং অসিসু লংজমনা শাবনি। মসিগা চপ মান্ননা মতৌ তন্নগা শারল্লবদি থবক লৌখৎপা য়াই। য়ু পিদা পোলিষ্টরনা পাৱরলুম শীজিন্নরগা শারকপসিদা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু খন্নরি হায়নসু মখা তাখি।

অমরোমদা, লৈরুম ফিগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগা লোয়ননা জিওগ্রাফিকেল ইন্দিকেসন ওফ গুদস (রেজিষ্ট্রেসন এন্দ প্রোটেক্সন) এক্ট, ১৯৯৯গী মখাদা রেজিষ্ট্রেসন তৌনবা টেক্সটাইলস, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টরগী ন্যু সেক্রেটরিয়টতা লৈবা ওফিস কনফরেন্স হোলদা হয়েং মীফম অমা পাঙথোক্কদৌরি। মীফম অদুদা মণিপুর ষ্টেট মাইনোরিটিজ কম্মিসনগী চ্যেরমেন মহমদ অনৱার হুসেন, মাষ্টেক্কী দিরেক্টর, মুতুৱা ম্যুজিয়মগী দিরেক্টর, হেন্দলুম প্রমোসন কাউন্সীলগী প্রসিদেন্ট অমদি সিনিয়র দিজাইনরনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াগদৌরি।

পোৎলম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস) :
অপূনবা চাউখৎ খোঙথাং লূপ, কুম্বীগী মেম্বরশিংনা কুম্বী ম্যুনিসিপালিটিগী ৱার্দ নম্বর ১ দগী ৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা শোত্থরবা ইমুংশিং অমদি মীমান্নদ্রবা মীওইশিংদা চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকখ্রে।

ষ্টেট অসিদা লোকদাউন মখা তানা চত্থরকপা মতমদা অদুম্মক মতেং পাংখিগনি। চান-থক্লবা পোৎলমশিং মখা তানা য়েন্থোকখিগনি। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লোকদাউনগী অৱাবা মায়োক্লরিবসিদা মতেং পাংবনি হায়নসু লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট খাঙেম্বম শিন্থাঙম্বা মীতৈনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

চান-থক্লবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস) :
আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা কৈথেলমানবী সেক্তর অসাম রাইফলসকী থৌবাল বট্টালিয়ন্না থা অসিগী ৩০ দা থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়গী খুঞ্জা কয়াদা চান-থক্লবা পোৎলম মতেং পাংখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা চান-থক্লবগী অৱাৎপা কয়া লৈরিবসি য়েংলগা পোৎলমশিং মতেং পাংখিবনি। চেঙ, থাউ, থুম, শঙ্গোম, চিনি, অতানচিংবা পোৎলমশিং মতেং পাংখি হায়রি।

বাইওফর্টিলাইজর, সিৱিং মেছিন য়েনখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস) :
চীঙাক্তা মীপাল তাঙদবা ষ্টেট অমা ওইনবা মীয়াম্না শুবা নোম্বা মথৌ তাই হায়না সোসল ৱার্কর থোঙাম শান্তিনা ঙসি মোইরাং কেন্দ্র প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্টকী ওফিসতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মাইগ্রোজাইল বাইওফর্টিলাইজর অমদি সিৱিং মেছিন য়েন্থোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা শান্তিনা হায়খি, কুমাম লৈকায় অপূনবা নুপী লূপকী নুপীশিংদা সিৱিং মেছিন ৬ খুৎশিন্নবা থৌরমদা জেনরেল ইলেক্সন মাঙওইননা এম কে পি এফনা শেমখিবা ৱিমেন কোওপরেটিভ সোসাইটিশিং অদুদা য়ুমদা লৈদুনা শেন্থোক লৈনবা হোৎনবদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইনবা খুৎশিন্নবনি। মমাঙদসু সিৱিং মেছিন য়েন্থোকপা লৈখ্রে। কোভিদ-১৯গী লোকদাউন মনুং অসিদা সোসাইটিশিং অসিগী নুপী ওইবীশিং অসিনা হেন্দলুম দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নদুনা ফেস মাস্ক কয়া তুদুনা শেন্থোক লম্বী অমা ওইনা শেল তান্দুনা কান্নবা কয়া ফংখ্রে। হৌজিক ঐখোয় হোৎনবা লেপ্পা য়াদে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এ সী অসিগী লৌমী ১০ রোমদা পাইলোট প্রোজেক্ট ওইনা বাইওফর্টিলাইজর পীখি।

ফিরেপ লৌমিন্নবা মথৌ তাই : ইকল

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস) : ঐখোয় পুন্না ময়াই কাবা চীঙাক্কী মায়োক্তা চপ চাবা ফিরেপ লৌমিন্নবা মথৌ তাই হায়না ইরমদম কনবা অপূনবা লূপ (ইকল)গী সেক্রেটরি দল্লিয়ু লুৱাং লৈমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। ময়াই কাবা দ্রগকা মরী লৈননা লুখোসৈ জৌ ফারিবা নাবকী এদিসনল এস পি করিগী ট্রান্সফর তৌখিবনো। মণিপুর ময়াই কাবা দ্রগ চাবদা নত্তনা শুংফম ফাওবা ওইরে হায়বসি খঙনরবা ৱাফম অমা ওইরে। দ্রগকী ফেক্টরি কয়া থুগায়খ্রে। দ্রগ লল্লোনবা কয়া অমসু ফাখ্রে হায়নসু মখা তারি।

মণিপুরদা জুন ৩০ ফাওবা লোকদাউন...

লামায় ১গী মখা... ক্বারন্টিন সেন্টর মশিং হেনগৎহল্লে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

কা হেন্না মীপায়বা পোকপীদনবা মীয়ামদা অপিল তৌরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, হৌজিকমক্কী ওইনা লায়না-লাইচৎ অসি মণিপুরদা কম্যুনিতি ট্রান্সমিসন তৌবগী থাক য়ৌদ্রি। লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরিবা ষ্টেট অসিগী মীওই ২৮,০০০ লোম লোকদাউন মনুংদা হোঞ্জিল্লকখ্রে।

মীয়াম্না তোকঙাদা থাজবা থম্বগী মহুৎতা দল্লীয়ু ঐচ ও, আই সী এম আর অমসুং হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা পীবা রিপোর্ট অমসুং গাইদলাইন খক্তমক থাজবা থম্বীয়ু। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা চয়োল খুদিংগী মণিপুর ষ্টেট কন্সলটেটিভ কম্মিতি ফোর কোভিদ-১৯গী মীফম পাঙথোক্তুনা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিং লৌখৎনবা খন্ন-নৈনরি। মীপুম খুদিংমক হিরম অসিগী মতাংদা ৱাখল তাহন্নবগী পান্দমদা তোঙান-তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনগী মীহুৎশিং য়াওবা জোইন্ট কম্মিতি ওন কোভিদ-১৯ শেম্লে। তোঙান-তোঙানবা ত্রাইবেলগী লোল ২৪দা কোভিদ-১৯গী এৱ্যেরনেস লিফলেটসু নম্লে হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিগী ওইনা কোভিদ-১৯গী অপুনবা কেস মশিং ৭১ রোম শুরে হায়না পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, অনাবা মীওই ১১দি নীংথিনা লায়েংবদগী মপুং ফানা ফগৎলকখ্রে। লায়েংলিবা অতৈ অতোপ্পা মীওইশিংসু অথুবা মতমদা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা হোৎনবদা মাংজিল থানা মথৌ পাঙথোল্লিবা ফ্রন্টলাইন ৱার্করশিং, মিদিয়া পার্সন্স, মহৈরোয়শিংগী লূপ অমদি সী এস ওশিংবু মহাক্লা থাগৎপা ফোঙদোকখি। সেন্টরদা প্রাইম মিনিষ্টরনা লুচিংবা লৈঙাক লৈরকপা চহী অমা মপুং ফারকপগী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, মণিপুরদা ইন্নরলাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহল্লকপগা লোয়ননা মতম কয়াগী মমাঙদগী মীয়াম্না মঙজরকপা মঙলান অমা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা মঙফাওনহনবীরে।

কোরোনাভাইরস : বোক্সর দিঙ্কু য়াওনা মীওই ৯ নৌনা...

লামায় ১গী মখা... দিষ্ট্রিক্টতগীনি। ঙসি দিসচার্জ তৌখ্রবা নুপী মরি অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসি নারম্বদগী ফগৎলক্লবা মীওই ১১ শুখ্রে। অদুগা হৌজিক হৌজিক লায়না অসিনা নাবদগী রিমস অমসুং জেনিমসতা লায়েংদুনা লৈরিবা এক্টিভ কেসনা ৬০নি। ঙসি দিসচার্জ তৌখ্রবা নুপী মরি অসি নুমিৎ ১৪নি হোম ক্বারন্টিনদা লৈখিগনি হায়রি।

নৌনা থেংনখিবা কেস ৯ অসিগী মনুংদা দিল্লিদগী হল্লকখিবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী মশাগী চহী ২৬ শুরবী নুপী অমা, পুনেদগী হল্লকখিবা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগী মশাগী চহী ২১ অমসুং ১৯ শুরবী নুপী অনি, দিল্লিদগী হল্লকখিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সেকমাইদগী মশাগী চহী ২০ শুরবা নুপা অমা, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতগী নুপা অহুম, নোনে দিষ্ট্রিক্টতগী নুপা অমা অদুগা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী নুপা অমা য়াওরি। দিল্লিদগী অমসুং পুনেদগী ল্লকখিবী নুপী অহুমনা ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা জেনিমসকী ভি আর দি এলদা টেষ্ট তৌবদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি। অদুগা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী নুপা অমনা ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা রিমসকী ভি আর দি এলদা টেষ্ট তৌবা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরে হায়বা খঙবা ঙমখিবনি। অদুগা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতগী নুপা অহুম, নোনে দিষ্ট্রিক্টতগী নুপী অমা অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী নুপী অমনা ঙসি রিমসকী ভি আর দি এলদা টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরে হায়বা খঙবা ঙমখি। নৌনা পোজিটিভ ওইরবশিংগী মনুংদা য়াওরিবা ইন্টর্নেসনল বোক্সর ঙাঙোম দিঙ্কু হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা লিভর কেন্সর ট্রিটমেন্টকীদমক এয়র এম্বুলেন্স অমদা দিল্লিদা চৎখিবনি। অদুগা এম্বুলেন্স অমদা লৈকং লম্বীদা দিল্লিদগী ইম্ফাল তম্না হল্লকখিবনি।

নৌনা পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রবা মীওইশিং অসিনা লৈরম্বা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংগী অকোয়বা মফমশিং কন্টেমেন্ট এরিয়া ওইনা লাউথোকখিবগা লোয়ননা মখোয়গা নক্লরম্বশিং মশক খঙদোকপগী থবকশিং চথুখ্রে হায়না কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী এদিস্নেল দিরেক্টর অমসুং স্পোক্স পার্সন ডা. খোইরোম সশীকুমার মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হেল্থ দিপার্টমেন্টতগী ফংবা কোরোনাভাইরসকী ষ্টেটস রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০দগী ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ ফাওবদা রিমসতা মীওই ৫৭৩ অমসুং জেনিমসতা মীওই ৪৯৩ পুন্না মীওই ১০৬৬কী সেম্পল টেষ্ট তৌখি। হৌজিক ফাওবদা অপুনবা সেম্পল ৯,৮৫৭ টেষ্ট তৌখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা কোভিদ-১৯গী কেস ৮,৩৮০ হেনগৎলক্তুনা ইন্দিয়াদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসিগী অপূনবা কেস মশিং ১,৮৫,৯৮৪ য়ৌরে। লায়না অসিনা শিহনখিবা মীওই ৫,২৮৬ শুরে। নারুবদগী ফগৎলকপা মীশিংনা ৮৮,৫৫৬ য়ৌরে। হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯গী এক্টিভ কেস ৯২,০৬১ লৈরি।

মালেমগী ওইনা শিখিবা মীশিং ৩,৭১,৬৯৫ শুরে। অপূনবা কেস মশিং ৬১,৯৬,৫১৬ য়ৌরে। নারুবদগী ফগৎলকপা মীশিংনা ২৭,৬০,৭২২ নি।

দিল্লিগী ওইনসু হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ১,২৯৫ হেনগৎলকপা থেংনখ্রে। হৌজিক ফাওবদা দিল্লিগী অপূনবা কেস মশিং ১৯,৮৪৪ য়ৌরে।